# ইনাক খুন্নবগী ফোর্মুলা

## (অহুমশুবা পন্দুপ : Project Formulation - 3)

– ডা. খুন্দ্রাকপম দেবানন্দা –

এসিস্টেন্ট প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ মেনেজমেন্ট
নোর্থ-ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি, তুরা কেম্পস, তুরা, মেঘালয়া
Email: devananda.singh@yahoo.com

ময়াম্বু খুরুমজরি। মমাঙগী চেফোঙদা প্রোজেক্ট অমা হায়বসি করিনো হায়বগী ৱাহন্থোক্তা য়াওরিবা মচাক অহুমগী মতাংদা নৈনখ্রে। মখা তানা মুন্না খঙননবগীদমক্তা প্রোজেক্ট অমগী কেরেক্টরিষ্টিক্সশিংগী মতাংদা অমুক পামিন্নরসি। চাউয়েং য়েংবদা প্রোজেক্ট অমগী কেরেক্টরিষ্টিক্স মরি থোক্লা খাইদোকপা য়াই। মখোয়শিংদুদি :-

**১) প্রোজেক্ট অদুদা শেল থাদবগী মওং (Investment Pattern) :**

প্রোজেক্ট অমবু থবক্তা ওন্থোক্নবগীদমক্তা মখল মখা অয়াম্বা মচাকশিং চঙই। মচাকশিংসিগী মনুংদা শেল হায়বসিসু খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনি। অসিদসু নত্তনা রো মেটেরিএল, হ্যুমেন রিসোর্স, খূৎশু খূৎলায়শিংনচিংবসু মথৌ তারিবনি। প্রোজেক্ট অমদা শেল থাদবগী মওংসি, প্রোজেক্ট অদুগী মওং মতৌ, তৌগদবা থবকশিং অমসুং থবকশিংদু পাঙথোকপদা চঙগদবা মতম অমদি মচাক-মথুমদা মখা পোল্লি। মরম অদুনা enterprise অমনা মায় পাকপা হায়বসি মদুগা মরী লৈনবা প্রোজেক্টশিংদুদা থাদরিবা শেলশিংদু করম্না থাদবগে হায়বসিগা য়াম্না মরী লৈনৈ। খুদম অমত্তং মতাংসিদা থমজগে। কনাগুম্বা অমনা লন্নাইগী ওইবা স্কুল অমা লিংখৎকে হায়না খল্লে। অদু ওইরবদি তঙাইফদনা প্রোজেক্ট অমা শাবা, অদুগী মতুংইন্না তৌগদবা থবক্তু মথং মনাও নাইনা পাঙথোকপা মথৌ তাই। হৌজিক ইহান হান্না লাইরিক তম্ফম কাশিং, কা মশীং কয়া, অঙাংশিংনা শীজিন্ননবা দেস্ক, বেঞ্চশিংনচিংবা চঙই। স্কুল লিংখৎকদৌরিবা মীওই অদুগী পান্দমদা নর্সরি অমসুং কে জিগী ক্লাস খক্তমক হান্না হৌগে হায়রবদি কা য়াম্না শারুবগী মথৌ তাদে। নর্সরিগী কা অমা, কেজিগী কা অমা অমসুং ওজাশিংগী কা অমা, পূন্না কা অহুমদং হান্না শারগা লোইরে। অহৌবগী ওইনা ওজাসু য়াম্লবদা অহুমদগী হেন্না লৌরোইদবনি। দেস্ক, বেঞ্চশিংসু কা হেন্না য়াম্না লৈশিনলুবগী মথৌ তাদে। শেল লৈ, বেঙ্কতগী লোন ফংই হায়দুনা মথৌ তাদবদা কা হেন্না চাউবা স্কুলগী কা শাজিনবা, ওজা য়াম্না লৌশিনবা অসিনচিংবশিংসি তৌরবদি, প্রোজেক্ট অদুদা শেল থাদবগী মওং অদু লাল্লে। ঐনা পীজরিবা খুদম অসি নৈনবীরগা অদোম্না পান্বীরিবা প্রোজেক্ট অদুদা করম্না অমদি কয়া য়াম্না, করম্বা মতমদা শেল থাদগদগে হায়বসিগী মতাংদা ৱাখল তৌবীরবদি য়াম্না কান্নবা ওইগনি হায়না খঞ্জে।

**২) প্রোজেক্ট অদুদগী লাকপা কান্নবা অমদি অতোঙবা (Benifits and Gains) :**

প্রোজেক্ট খুদিংমক্কী মরু ওইবা পান্দমদি ইশাদা অমদি খুন্নাইদা কান্নবা পীবা অমসুং শেন্দোং লৈবা অদুনি। মতাং অসিদা খজিক্তং চমম্নরিবদি 'কান্নবা' অমদি 'অতোঙবা' হায়বসি চপ মান্নব্রা নৎত্রগনা খেন্নব্রা হায়বসিনি। ঐখোয় অয়াম্বনা অনিসি চপ মান্ননা লৌনৈ। অদুবু অনীসিগী খেন্নবা লৈ। কান্নবা হায়বসিদি ঐখোয়না মশীং (নম্বর) দা ওনবা য়াদে অদুগা অতোঙবা (Profit/Gain) হায়বসিদি মশীংদা ওনবা য়াই। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা স্কুলগী খুদমসি লৌরগা মসিনা পীবা কান্নবা অমদি অতোপ্পশিংদু করি করি ওইবা য়াবগে হায়বদু মখাগী টেবল অসিদা থমজরি।

টেবল ১ : লন্নাইগী স্কুল অমা লিংখৎপগী কান্নবা অমদি অতোঙবা -

| কান্নবা | অতোঙবা |
|---|---|
| ১. অঙাংশিংদা মহৈ তশীন তম্বগী কান্নবা পীবা। | ১. অঙাংশিংদগী লৌবা এদমিসন ফী ট্যুসন ফী অমসুং অতৈ অতৈনচিংবা অরাকপা শেলশিংদুদগী চাদিং/চৎখিবা শেল পূম্নমক খায়দোক্লগা লেমহৌবা শেলশিং |
| ২. মীওই খরা থবক পীবা (ওজা, ক্লার্কনচিংবা ) | |
| ৩. স্কুল অদুনা মরম ওইদুনা ভেন সর্ভিস, চান্ন থক্লবা য়োনবা/য়োনবীশিংদা থবক পীবা অসিনচিংবশিং | |

মখা খরদং অমুক থমজখিগে। Entrepreneur অমনা প্রোজেক্ট অদুদগী লাকপা অমদি লাক্কদবা কান্নবা অমদি অতোঙবশিংদু ময়েক শেংনা খঙগদবনি। মসি খঙদ্রবদি চাওখৎপা ঙম্লোই নৎত্রগনা মায়থীগনি। মীওই খরদি অতোঙবা খক্তমক উবসু লৈ। মসি তুং কোইনা অমদি মায় পাক্লা Entrepreneur অমা ওইবা ঙমদনবগী খোঙথাংনি। মরম অদুনা খুন্নাইদা পীরিবা প্রোজেক্ট অদুগী কান্নবশিং অমদি প্রোজেক্ট অদুদগী ফংলকপা অতোঙবশিংগী মরমদা মমুৎ তানা খঙনবা হোৎনবা অমদি তঙাইফদনা খঙবা মথৌ তাই।

**১) প্রোজেক্ট অদুগী থবক থৌওংশিংদু পাঙথোকপদা চঙগদবা মতম :**

মমাঙদসু পঞ্জখ্রে মদুদি 'মতম' হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্তা চপ মান্ননা পীরিবা, অমুক হন্না হল্লক্লরোইদবা শকউদবা অমনি। মরম অদুনা মতম নীংথিজনা অমদি কান্নফম খঙনা শীজিন্নবা হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওই। প্রোজেক্ট অমগী মনুংদা য়াওরিবা থবক থৌওংশিংদু পাঙথোকপদা মতম কয়া-কয়া য়াম্না চঙগদগে হায়বসি মাঙজৌননা লেপথোকপগী মতাংদসু মমাঙগী আর্টিকলশিংদা পনজখ্রে। Enterprise অমদি মতম হায়বসি শেলনি হায়নরিবনি। খুদম ওইনা পঞ্জরবদা ফি-রোল য়োনবা অচৌবা Enterprise অমনিা নিংথিমথা লোইশিল্লকপদা অথাবা ফিরোলশিং (Jacket, Sweater, Highneck, Coat) অদু লোইনা য়োনথোকপা ঙমহৌদ্রবদি, লেমহৌরিবশিংদু অমুক মথং নিংথমথা ঙাইবা তাই। মসিনা মরম ওইদুনা মসিদা থাদখিবা শেলশিংদু চহী অমা অমুক নমশিন্দুনা লৈগনি লোয়ননা ফিশিংদু মথং চহীদা চৎনদবা ষ্টাইল অমদি মওং ওইদুনা মীনা লৈবিদবসু য়ারি। পূম্নমকসি ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙনরবা ঙাক্তনি অদুবু ৱারেপ লৌরমদাইদা কাউবীদনবা নীংশিংজবনি। মীনা তৌনৈ হায়দুনা পংতৌ তৌশিনবা, নাপল তৌদুনা কান্নদবা থবক থৌওংশিংদা শেল অমদি মতম থাদবা, কৈদৌনুংদসু তৌরোইদবনি। মসিনা মাঙজবা নত্তনা করিসু কান্নবা ফংলোই। চাওখৎলকপগী মতুংইন্না ঙসিদি অতেনবা মতমদা অচৌ অচৌবা থবক কয়া খূৎলায়গী মতেংনা লায়না পাঙথোকপা য়ারে। মরম অদুনা Enterprise অদুগা চান্নবা অমদি মতমগা চুনবা খূৎশু খূৎলায়শিং খঙদোকপা অমদি মসিবু মওং মরীল তানা শীজিন্নবা হায়বসিনা অতৈ অতোপ্পা শকমান্নবা Enterprise শিংগা হিদান্নবদা মীকোক থোংবা অমদি মায় পাকপা ওইগদৌরিবনি।

**৪) প্রোজেক্ট অদুগী মফম (লোকেসন) :**

ফনা ফবা প্রোজেক্ট অমা ওইদুনসু প্রোজেক্ট অদু তৌগদৌরিবা মফম অদু মফম চাদবা ওইরবদি মায় পাকনীংঙাই ওইদে। করম্না প্রোজেক্ট অমগী মফম (লোকেসন ওফ প্রোজেক্ট) খনগদগে হায়বসি অচৌবা পন্দুপ অমা ওইনা প্রোজেক্ট মেনেজমেন্টকী লাইরিক/পারাদা পাক চাউনা নৈনৈ। হায়রিবশিংদু আর্টিকল অসিদা লোইনা পুশিনবগী খুদোংচাবা অদু লৈতে। মরম অদুনা ইশম শম্না ইশানা, ঐনা তৌগদৌরিবা প্রোজেক্ট অসি মফম চাব্রা হায়বসি থিজিন হুমজিন্দুনা অমদি ৱাখল তানা য়েংবীগদবনি। খুদম ওইনা ৱর্ল্ডগী খ্বাইদগী ফবা স্কুল অমা হিমালয় চীংদা শারবদি প্রোজেক্ট অদু করিসু মায় পাক্লোই। মখা তানা, অঙাং য়াম্না লৈতবা লূপ অমদা অঙাংগী শান্নপোৎ য়োনবা, শেল কয়া পায়দবা মীওইশিংনা খুন্দাবা খুঙ্গং অমদা মমল য়াম্বা Basmati চেঙ য়োনবা, য়ূমথোঙ অয়াম্বা গাড়ী লৈনবা মফমদা টেক্সি সর্ভিস তৌবা, মনা মশিং মরাং কায়না পোত্থোক লৈবা মফমদা মনা মশিংগী দুকান হাংদোকপা, নুপীনা জিন্স খোঙ্গ্রাও শেৎপা য়াদবা মফমদা নুপীগী জিন খোঙ্গ্রাও য়োনবা অসিনচিংবশিংসি মফম চাদবা প্রোজেক্ট লোকেসননি। অদুগী মথক্তা ঙসিদি চাওখৎলকপা, মীশিং য়ামখৎলকপা অমসুং পুন্সি মরেল (লাইফষ্টাইল) হোংলকপগী মতুংইন্না তাইবঙ মীওইবগী অপাম্বসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে অমসুং লোইবা নাইদবা দিমান্দ ওইরে। মরম অসিদগী Enterprise অমা মওং মরীল নাইনা, চৎন-কাঙলোন চুম্না হাংদোকপদা মায় পাক্লবগী মরম চাওনা লৈরে।

মখা তানা পাবীরিবশিংদা থমজনীংলিবদি প্রোজেক্ট অমা অচৌবা ওইগেরা, অপিকপা ওইগেরা, মায় পাক্লা পাঙথোকপা হায়বসি ইরায় লায়বা ওইদে। মসিদা মথং মনাও নাইবা অমদি ৱাখল তাবা মথৌ তাই। ঐখোয়না ফংগে খল্লিবা পান্দমশিংদি প্রোজেক্ট অদু মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা কান্দদা ফংগদৌরিবনি। মসিদা প্রোজেক্ট অদু পাঙথোকমিন্নগদৌরিবা মীওই পূম্নমক্কী হোৎনজমন, শেল, মতম, মচাক মথুমশিং অসিনচিংবশিং চঙই। প্রোজেক্ট অমদা য়াওরিবা থবক থৌওংশিংসি অমগা অমগা মরী লৈনবতা নত্তনা মখোয়গী মথং মনাও নাইবা অমদি পাঙথোক্কদবা মতম হায়বসিসু য়াম্না মরু ওই। Enterprise অমনা প্রোজেক্ট অমা মায় পাক্লা পাঙথোকপদা পীরিবা কান্নবশিংসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। মসিনা Enterprise অদুদা, খুন্নাইদা, লোন লৌরগা চলাইবা Enterprise ওইরগনা বেঙ্কতা অমদি লৈঙাক্তা কান্নবা কয়া অমা পীরি। মথংগী আর্টিকলদা মখা তাবা ৱারোলশিং ইজরক্কে। অদোম্না আর্টিকল অসি পাবদা কান্নৈ খনবীরবদি অদোমগী মরুপ মপাং, খঙন-চান্নবশিংদা স্যের তৌবীয়ু। মথংগী আর্টিকলগীদমক্তা য়ূমশকৈশা ঙাইমিন্নরসি। অদোমবু অমুক হন্না খুরুমজরি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মৈতৈ অমা ওইনা লেমজনীংঙাই ওইদবনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লমদম অসিদা লৈরিবা মীওই লূপ (জাতি) অমগী থাজনবীগী মতুংইন্না লৈরিবা মন্দির, চর্চ, মসজিদ অমত্তদা থুগায় য়ৈখাইবা, অকায়বা তৌরম্বগী পাউ তাদ্রি। অদুবু লৈবাক অসিগী মরু ওইবা য়েলহৌমীনি হায়না লৌনরিবা ককপা য়াররোইদৌবা মৈতৈগী লৈশেমলোনগী পুৱারীগা শাগোন্নরিবা লাইফমলেনশিংদা মীতোপশিংনা অয়েৎপা পীরিবা হৈঙাং চীংদা, পল্লেন, ইকোপ পাৎতা, খুরাই অহোংপুংদা, চেঙ্গৈচীংদা, হৈবোকচীংদা, মোংবহনবা অমদি হন্দক্তা অনৌবদা কৌব্রুগী লাইফমলেনদা অয়েৎপা অকায়বা পীরিবা অসি মৈতৈবু থওইদবনি হায়বসি শেংনা খঙলবনি।

কৌব্রুনা লেম্ফুনি, কংলানা খোইদৌনি, লোক্তাকনা সনা তেংকোৎনি। হায়রিবা অসি অতৈ ফুরুপনা খঙলোই। মৈতৈ ঐখোয়না ইশাগী ইথৌ তৌবদা অয়েৎ অপন অথিংবা পীরে হায়দুনা গভর্ণমেন্টকী মতেং লৌদুনা পুলিস অমসুং সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস শীজিন্নদুনা ঈনাৎকী লাইথৌ তৌবা হায়বসি ইকায়নীংঙাইনি। মৈতৈ থৌনা য়াওদ্রে তাকপনি। মৈতৈ অমা ওইনা লেমজনীংঙাই ওইদবনি, মসি তৌরোইসি। মরম চাদনা মীপাল তাংলোইসি। ইশাগী ইথৌ ইশানা তৌসি।

ৱাহৈনা কান্নরোই থবক্লা উৎলসি। খূৎলং লম্মননি। চেঙ পুরগা চেঙ শিংগনি। ফৌ পুরগা ফৌ শিংগনি। ইশাগী ইথৌ ইশানা তৌসি। করিগী মীওই খরনা কৈই নাইরগা য়ূম্বুনা য়েংদুনা লৈথোক্কনি? লৌ মপু য়োংনা তানবা তৌহল্লোইসি। লৌপুনা থৌশাদনা খূত্তা খূৎলায় পায়দনা লৌবুক চৎলুবদগী য়োংনা তাল্লকপনি। খূত্তা খূৎলায় পায়দুনা লৌবুক চৎলবদি য়োংনা তানবা ঙম্লোই, খূত্তা খূৎলায় পায়দুনা লৌবুক চৎসি। য়োংয়াম তানখাইসি।

*অদোমগী - সিনাম লুখোই মৈতৈ*
*য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ময়ায় লৈকায়*

## মচিৎ মকাইগী লাইচৎ ওইরোইদৌরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

শিবগা হিংবগা অনীসিগী মনুংদা করম্বনা পাম্বগে হায়না কনাগুম্বা মীওই অমদা হংলুবদা হিংবনা পামই শোয়দনা হায়রক্কদৌরিবনি। হিংবা পাম্বা মীওইবনা করিগীদমক মীওইবা কাঙলূপ্তা নত্ত-নত্তবা লিচৎ-শাজৎ, তৌহৈদবা থবক থৌরম ময়াম অমা শিংলি পাবল থোকপমখৈ থৌনা লৈনা করিগীদমক পামনা তৌরি? খন্থরুবদা ঙক্তবা ঙমদে। খঙনা খঙনা, উনা উনা অচুম্বনি-অরানবনি খঙলবসু নাচুংদবমখৈ থৌশাদনা অপাম্বা অদুতো ফংলগা লোইরে খন্দুনা... মসি মতুং তারকপদা খনবগী মচাক্তি ওইদ্রবনি। নিংথৌ ওইগেরা? লায়রবা ওইগেরা? মীওইবা ওইনা পোক্লবদি অপেনবা, নীংবা থুংবা মসিমদি অদুমক লৈরগদবনি হায়রুবা য়াবা নত্তে। পেন্দ-পেন্দনা হিংলবসু করিগুম্বা খরদি পেঞ্জদবগী ইথিল অমা অদুমক লৈতনীংঙাই লৈরোই। শিরগা লোইরবা মীওইবা মপোকসিদা মীওইবা কাঙলূপ্তা তৌনরিবা চৎনরিবা ময়ামসি মুন্না খন্থরুরবদি মসিনা ফৈদা, মসিনা ফত্তেদা হায়রুবদা কান্নবা হায়বা অদুমা ফংদনা নুংশিদবা ওইদৌরিবনি। মীগী ফত্তনবা তৌরগা অফবা শাদুনা মওং তানা অফবা মালহনবা খঙলকপা মীকূপ্তা মতুং তারকপদা অদুমক নুংশিবা হায়বা অদুমা লৈরোইদৌরিবনি। শিরবা মতুংদা খঙবনা খঙবা, হিংলিঙৈ মনুংসিদদি মাদি ফবনিদা হায়বা ৱাহৈসিমা মাঙদনবা শিনবদা অফবা হায়বদুমা নমদনা ওইদৌরিবনি। শিবসিদা শিদি শি হায়ববু মখল খরদি অদুমক লৈবদৌনা তৌরবনি। মখোয় অদুদি মশা মথন্তা শিজবা করিগুম্বদা এক্সিদেন্ট ওইবদগী তাইবঙপাল থাদোকখিবা। মসি নৎত্রগনা মপুন্সি লোইদুনা তাইবঙপান থাদোকখিবা... খরসিগী মনুংদা অমদি শোয়দনা ওইদৌরিবনি। ওইনীংবা অমা ওইরবসু খঙনা-খঙনা, উনা-উনা শিরনিকো খঙজবা মীওইনা অদুমক মশীং য়াম্না ওইদৌরিবনি।

তাইবঙ মীওইবা কৌবা মশীং য়াম্লবা মীয়ামসিবু তিঞ্জং কাইজংদনা হিংনবগীদমক গভর্ণমেন্টনা মীচম মীয়াম ঐখোয়গীদমক পায়খৎলক্লিবা থবক কয়া থিদুনা লোইগদবা মান্দ্রবনি। ফত্তে-ফত্তে হায়রিবা লৈঙাক চুপলি পায়রিবা ফম্নাইবা ফম্নাইবীশিংসি মশা মশাগীদা খল্লবনি হায়রুবা য়াবা নত্তে। ঙম্নমক মীচম মীয়াম ঐখোয়গীদমক খনবদি খনবনি। তৌবগীবুদি ষণ-ষণ-ষণ মান্নদে, মী-মী-মী মান্নদে হায়বসিমদি ককপা য়াদনা লৈরগদবা ৱাফমনি। লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্তুনা পোজিটিভ ওইবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা থাজদবা য়ারিব্রা? হিংদবা য়াদবনি হায়দুনা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎলবসু য়ারিবা মখৈ য়ূমদগী মপান থোক্তনা লৈবসিদগী হেনবা অতৈ অমা লৈগদবা মান্দব্রনি। এক্টিভ কেসতি তাথগদববু মাল্লক্ত্রবনি।

মালেমগী মমিং লৈরবা কয়া পোজিটিভ ওইদুনা ... পূম্নমক তম্বা ঙমদনা থোকখিবা থৌদোকনি হায়বদা ইচুমদা চুম্লগদবা ৱাফমনি। হন্দক চহীগী কুম্ভ মেলা য়াওরুবা নেপালগী হান্নগী নিংথৌ অমসুং মহারানি পোজিটিভ ওইরকপা কুম্ভ মেলা থৌরমদা শরুক য়ারুবদগী ওইরকখিবা তাবদা নুংঙাইবা ৱাফম ওইদবনি। মীওই ২, ৩, ৪, ৫ ... অশিবগী খয়াত্তা.... থৱায় মানা চৎখ্রবসু লৈহৌরিবা হকচাংদু পোৎলোইনবা হোৎনবদা লৈকায়না, খুলনা পোৎলোইফমদা ... অপনবা পীবসু য়াওদৌরিবনি। পোজিটিভতগী অশিবগী খয়াত্তা য়াতাখিবা মখোয়শিংসিদি পৈশা পীরগা পোৎলোইবগী ৱারী অদুমক য়াওরিবা পোৎনি। কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা চৎনগদবা চৎন-কাঙলোন খুদক্তা চৎনবা হৌরে হায়দুনসু থৌওইদবা মীওইদি অদুমক য়াওদৌরিবনি।

লৌফম থোকপা পেনালটি লৌবসিনা য়াদেকো হায়বা অমা লৈবনা চৎন-কাঙলোন থুগাইবগী থৌওং খরদি শোয়দনা হন্থগদবা মাল্লবনি। ফনা য়াম্না লাওদুনসু তৌগদবা মীনা তৌদবদা করিনো তৌগদৌবা। ইচা খঙদে, মীচা খঙদে য়াদেকো হায়বসিমা খঙহনবদা মতুং তাবদা তৌরক্কদবা মান্দ্রবনি। খুদক্তগী চৎনরগদবা চৎন-কাঙলোন মসিবু মীচম মীয়াম ঐখোয়না ঙাক্লা চৎপদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা চঙবা ঙমগনি থাজবা ৱাৎলবনি। ইমা কৈথেলশিং থিংজিনখ্রে। মসি মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং হেনগৎলকপা মরম্না লৈঙাকসিনা খুদক্তগী নুমিৎ তরানিগী ওইনা থিংজিনখিবা - মসি ইমাশিংবু নুংশিদবগী খুদম নত্তে। মসিদা হংবা য়াবা ৱাহং অমনা পোজিটিভ ওইদুনা শিনিংদ-শিনিংদা শিবগা খরা ৱারবসু ৱানা মতম খরা খাঙলগা হিংবগা করম্বনা ফবগে? ৱারবসু ৱানা মতম খরা খাঙলগা হিংবসিনা ফৈদা শোয়দনা হায়নরক্কদৌরিবনি।

লমদমসিদা লৈরিবা কৈথেলনি হায়বা খুদিংমক থিংবসিসু মীচম মীয়ামগীদি খ্বাইদগী শাফরগদবনি। দুকানশিংসু রোটেসন্দা নোংমগী ওইনা অহুম অহুমখক্তমক হাংগনি। মসি লায়ওংসিদগী ঙাকথোক্লবগী পাম্বৈনি। রোটেসন নাইনা দুকান হাংহনবগুম্না ইম্ফাল সহরগী লম্বী অয়াম্বা এঞ্জিন পানবা গাড়ীনা চিক্লা চাইনা ঙমদবা মখৈ চৎনরিবা অসিসু গাড়ীগী পীরিবা নম্বরদুগী মতুংইন্না ঙসিনা জিরোনা তাবনা চৎপা, হয়েংনা ৱান তাবনা চৎপা, হংচিংনা টু তাবনা চৎপা মতৌ অসুম্না শিনবদা য়াগদবা মাল্লবনি। মসি ওইরবদি এঞ্জিন পানবা গাড়ী চেনবগী চাং খরদি হন্থগদবা মান্দনিংঙাই লৈরোই। মতম অমগী লাষ্ট দিজিটকী লোট্টরিগুম্না শিনবদা চিনবা খরদি ফদনীংঙাই লৈরোই খল্লুরবসু কান্নবা ফংগদবসি থবক ওইনা পাঙথোক্লগদা কান্নবা ফংদৌরিবনি। লৈঙাক্লবু শিনবীবদা কনা অমত্তনা হে তোংগদবা লৈরোই। এক্সিদেন্টকী চাংসু খরদি হন্থগদবা ওইদৌরিবনি। মীনা মী য়ামখৎলক্লিবা, এঞ্জিন পানবা গাড়ীনগা অতৎ অখম নাইরক্তবা, কোভিদ-১৯গী লাইৎনগা কনখৎলক্লিবা, মীওইবা কৌবা মীওইবসে হিংবদা নুংঙাইবা হায়বদুমদি ওইগদবা মাল্লক্ত্রবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

## সেকেন্দ ৱেভ কোভিদনা হেঞ্জিল্লক্লি মীনা নাচুংদে

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইপা ইপুগী ৱাহৈ ৱাতা পাউরৌ কয়াদা তত্তনা পন্নবা হুই ঙাওরে হুইবু থি, মচা ফৎত্রে মমা-মপা ৱাই হায়নবা প্রমান পান্থে, পাউরৌ কয়া অচুম্বা ঙাক্তা ওইরম্মী। মীগী ফত্তনবা তৌরুবা ইচানা ফাবা পুনবা, হুরান চিন্থি তৌরকপদা কনাই মচানো মমা-মপাগী মমিং হংনরি, মপী-মপা ওইবা কয়াসু ইকায় ফিরুক খুম্নবসু য়াওনদবা নত্তে। অদুগা অফবা অঙাং অমা ওইহন্নবা হোৎনবদসু অফবা লোনচৎ শাজৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙনা অঙাংশিংবু নাউথেম্লবদি মমা-মপাগী লোনচৎ খরতা ওইরবসু শোয়দনা লৌগল্লি হায়নৈ।

মপা ওইবনা নোংমা কাংদনা য়ু ঙাওদুনা ইমুং মনুংদা শানৈ য়ুনৈদুনা জ্বার শান্নদুনা লৈরগদি ইমুং মনুং করম্না ঈংগনি, পিল্লিবা অঙাংনা চাউরক্লগা মতৌ তম্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। ইপানা তৌবদি য়ারগা ঐনা থকপা চাবদি করিগী য়ারোই হায়দনা নোংমদি শোয়দনা খল্লক্কনি। নুপীমচাসু চপ মান্নে মমা ওইবীনা ইথক ঈরাংদা তাউদুনা মচা শেমগনি, ফজবা লমচৎ তাকপীগনি খঙদনা লৈরগদি মমৈদা মমাগী মতৌ তম্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে খঞ্জে।

অদুনা ফত্তবা লম্বীদা মপাগী মচা উগী উহৈ হায়বদুদি তাহনগুমসি। নাকল অমদা মতমসিগী চৎনবী শিন্থা ওইনা লৈতবগীসু ওইরম্বা য়াই মৌনহাশিংনা কৈথেল থোক্তুনা হৈ-রা, এঞ্জাং-নাপি য়োন্নীং য়োন্নীংবা য়োন্দুনা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা ফম্নরি। মসিদা নুপী নহাদা ঙাওজবা নুপাসু লৈনদবা নত্তে, পোৎ লৈবনা খজিক, পোৎফম ফম্লিবীদা দিল লেনবা কয়াসু য়াওনদবা নত্তে। অদুবু অতোপ্পা মীনা পোৎ লৈবা চঙবা হঙ্গোইনবগী মচাক অমদি ওইহল্লি, য়েংবদসু নুংঙাইতবা শোয়দনা ফাওনবা য়াওরমগনি খল্লি। অমবু ওইরো অমবু ওইরো মাগী মাগী য়ানবগী মতুংইনবনি। মতমসিদবু হায়বা ইন্নবা কনাবু য়াওনরিবগে? ইচা ফাওবা ৱারকপা য়াদবা মতমনি।

কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী অখঙ অহৈগী পীনরিবা চৎন-কাঙলোন খরনা ঙাক্লবসু ঙাক্তবনা অয়াম্বা ওইরি। পোলিটিক্সকী লম্দবু ওইরো, মীয়ামগী হরাও কুম্মৈদবু ওইরো থৌদোক কয়াদা অথিংবা লৈনা লৈনা তৌনরি অদুবু তৌদবা য়াদবগী তৌনরবসু কোভিদকী চৎন-কাঙলোনদি কায়হঞ্জনীংদে। মীচম মীয়াম ঐখোয়সু মাস্ক উপ্পগা শ্বর হোনবা ৱাই, চিন্দদা মখুম্বা দিষ্টেন্সিং লৈতবা কয়া কয়ানি। তাক্লবা, চৈনবা, শোয়হন্নীংদবগী লাউরি পাউজেল তত্তনা পীরি লৈঙাক্লা। অদুগা নাকল অমরোমদা করি ওইরক্কনি খন্থবা ঙমদবা ৱাখল্লোন, শিবা চঙবগী পোফমদা থৱায়বু করিসু খন্দনা, ইচা ইশু নুংশিবা, পোকঙমদ্রবা মীওইপোকপু তমঙমদ্রবা লাইচৎকী তোর্ব্বান্দা লেপহনবগা লাইরিক লাইশু তম্বা মতম খরদং লেপহনবগা কনানা খল লূম্বগে? খন্থদুনা অমুক্তং য়েংবীয়ু অশিবা হায়বসিদি লোইরবনি ইশা ইশা ফাওবা কদায়নো খন্নরবা মতমসিদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসি শাথিরবা লাইচৎনি হায়নরি। পোজিটিভ ওইবসু নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। মসিদা শিবা চংবা লাইবক্কী ৱা ওইরবসু খজিক নাথৈরগা তুংগী পুন্সিগী লৌশিং, ৱাখল, মীৎ-নাকোং শিংহৌনবা তম্নবা মহৈনি। অদুনা মতম অমগী সিলেপ কাংগ্রু পায়দুনা অঙাংশিং তাকপীবগুম পিল্লিবা ইচা ইশুবু মমা মপা ওইবনা মতম খরদং অৱাবা খাংমিন্নদুনা তাকপীবনা অমসু অমসু ফগদ্রা খঞ্জে। লৈঙাক্লা স্কুল লোইনা থিংজিনখ্রে । হন্দক্কী কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভসি মীবু চাগদবগী ময়া কাদুনা পাইশিল্লকপা হিংচাবা মখল অমনি হায়বা য়াই। মসিদগী ইচাশিংবু শোক্তনবা মপু ওইবা লৈঙাক্লা লৌখৎপা চৎন-কাঙলোনশিং অসি অফবা খোঙথাংনি। অদুবু ঐখোয় ইশা ইশানা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা পীরিবা কাঙলোনশিং শোয়দনা ঙাক্লা লিনসু শিনবা চৈশুসু তেক্তনবা, থৌদোক্কী থৌরমসু কায়দনবা তমথীবা লাইচৎসু ঙাকথোক্লবা হোৎনসি 'সেকেন্দ ৱেব কোভিদনা হেঞ্জিল্লক্লি মীনদি নাচুংদে' হায়বা অদুদি তাহন্দনা ঐখোয়গী পুন্সিবু কন্নবা হোৎনবদা তেংবাংনরসি হায়জনীংই।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম*
*ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।